# Jurassic Park ফিল্মগী এক্ট্রেসনা কুমশিগী একাদেমী বেষ্ট সপ্পোর্টিং এক্ট্রেস ফংখ্রে

- নানি

*"My mom discouraged, even. I mean, I think because as a woman in the film industry, she was worried for me, expecially as a child... She was terrified for me and protective and a lioness, which was great to be raised by. And my dad, I think, assumed I'd find something else interesting."* **- Laura Dern**



কুইরবগী মমাঙদা তাখিবা ৱাহৈনি- কৈনবু তোকপা পোকপা হৌনদে। পান্থে অসি লৈবাক অয়াম্বদসু শীজিন্নে। শক্লাইরবী এক্ট্রেস Dern গী মরমদা ৱারী শানরকপদা অমদি মহাক্কী মরমদা ক্রিটিকশিংনা নৈনরকপা মতমদা Dern গী লাইবক অমদি মহাক্কী করিয়রদি মমাগী সিয়োম্মুংদা নাওপুরিঙৈদগী হৌনা শেমখ্রবনি হায়না হায়নরি। ৱাফম অসি শোয়দনা তাবদা ঙকপা ফাওবীগনি। থোইদোক্লা ঙকপীগনু, Dern এক্ট্রেস, দিরেক্টর অমদি প্রদ্যুসর অমা ওইনসু শীংথানরিবা অসি অতৈ কনাসু নত্তে, হোল্লিৱুদ ৱর্ল্ডদা মমিং লৈরবা লৈরবী ফিল্ম এক্টর Diane Ladd অমদি Bruce Dern অনীগী মচানুপী Laura Elizabeth Dern. কুমজা ১৯৬৭কী ফেব্রুৱারী ১০দা Los Angeles, কালিফোর্নিয়াদা পোকখি। এক্টর এক্ট্রেস অনী অসিগী মতম্বাক্তা অমনা অমুক পম অমনা অমুক পম য়েং-য়েংদুনা মঙখিবা মঙ অদু ঙসিদি চপ চানা মঙফাওনরকপনি। মমাগা মপাগনা পুন্না কুম্মিন্নবা The Wild Angels হায়বা ফিল্ম অদু নম্লিঙৈগী মতমদা মহাক মীরোনি-খবনি। ফিল্ম অসিসু মখোয় অনীদা য়াম্না চেল্লেঞ্জিং ওইখিবা রোল ঙাক্তনি হায়না হায়রি। ফিল্ম অসিগী সূটিং প্লান তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা মখোয় মখোয়গী রোল অদুগীদমক প্রিপরেসন কন্না তৌখি। অমনা অমগী মতেং য়াম্না পাংনখি। অদুগুম্বা তাঞ্জা অদুদগী Dern গী পুন্সিগী মমি অমা লাকশিনবা হৌখ্রবনি।

Dern পীশক পীক্লিঙৈদগী হৌনা ফিল্ম হায়বা অসিদা মথ্বায় লুপ্তুনা লাকখি। মহাক্না ফিল্মগী লাইন অসিদা থৱায় য়াওরকপা উবদা, মহাকপু পোকপা মমা-মপানদি Dern বু এক্ট্রেস অমা ওইহনবা পামখিদে। মহাক্কী ৱাখল হোংনবা কন্না হায়খিবা লৈখি। মরমদি এক্টর অমা হায়বসি য়াম্না শাথিনা ৱাবা অমদি মসিনা করিগুম্বা চপ চানা মায় পাকপা ঙমদ্রবদি পুন্সিদা য়াম্না অৱাবা অমা থেংনগনি হায়বা অসি মখোয়না থাজখি। অদুগা এক্টর অমা ওইনা মায় পাক্লবা হোৎনবা হায়বা অসিসু ইরায় লায়বা থবক অমা ওইদে। চুম্নগী ফোর্মেল এদ্যুকেসনগী মওংদগী খেন্নবা য়াম্না লৈ। লাইরিক ওইনা কন্না পারগা মপুং ফাবা এক্টর অমা হেক্তা ওইবা য়াদে। মহাক্কী তাইবং অদুগী নাক য়েং, কলচর, হিষ্টোরি, সোসল, মুন্না খঙবা মথৌ তাই। অমরোমদা নাৎ শক্তমগী ওইবা চপ চাবা ফিরেপকা লোয়ননা মমুৎ তানা হীরম অদোমদা খঙনবা হোৎনবা হায়বসিসু য়াম্না মরু ওইবা অমদি তঙাইফদবা অমনি। প্রোফেসন খূদিংমক্তগী য়াম্না চেল্লেঞ্জিং ওইবা অমা হায়বা তারবদি এক্টরগী প্রোফেসন অসিনি। ক্রিএটিভকী আইদিয়া য়াম্না ৱাংনা লৈতবা য়াদে। মহাক্কী ৱাখলনা উরিবা অনৌবা তাইবংগী শক্তম অদু মহাক্না করম্না মহাক মশাগী বোদি শীজিন্নদুনা করম্বা ইনর্জি অমা হাপ্পগা পুথোক্কদগে হায়বা অসি অরাইবা থবক অমা নত্তে হায়না খনখি। মমুৎ তানা মচানুপীদা ফনা য়াম্না হায়রবসু Dern না য়াখিদে। মহাক শোয়দনা এক্টর অমা ওইগে হায়না মমা-মপাদা ৱাশকখি। মহাক্কী অনীংবা অসিবু কায়হনবীগনু হায়না পাউমেনখি। অদুগীসু মথক্তা নোংম-নোংমগী, মহাক্কী মমা-মপাগী দেলি রুটিন, মখোয়গী শিনফম অদুগী এক্টিভিটিজ কয়া অদুনা Dern বু এক্টর অমা ওইনবগী অকনবা ইন্সপিরেসন পীখি। এক্টর অমা ওইনীংবগী অপাম্বা পোকখি। মশাগী চহী ৬ শুরকপা মতমদা মমানা কুম্বা ফিল্ম White Lightning (1973) হায়রিবা ফিল্ম অসিদা অপীকপা অঙাং



অমগী রোল লৌদুনা ফিল্ম কুম্বা হৌরকখি। মশাগী চহী ১৫ শুরকপা ১৯৮২ দা খ্বাইদগী নহা ওইবা মিস গোল্ডন গ্লোব এৱার্দ ফংবা ঙম্বা অমা ওইখি।

য়াম্না নুংঙাইরিবদি ১৯৯২দা মহাক্কী মমাগা পুন্না কুম্মিন্নবা ফিল্ম Rambling Rose হায়বা অসিদা মমা Diane Labb না একাদেমী বেষ্ট সপ্পোর্টিং এক্ট্রেস অমদি মহাক মশানা একাদেমী



বেষ্ট এক্ট্রেসকী নোমিনেসন পুন্না চঙমিন্নখি। মসিমদি হৌজিক ফাওবদা মমা মচা পুন্না একাদেমী এৱার্দ নোমিনেসন চঙবগী রেকোর্দ লৈরি। কুম অদুমক্তদা মহাক বেষ্ট এক্ট্রেসকী এৱার্দ ফংবা ঙমখি। Marriage Story হায়বা ফিল্ম অসিদা Dern কুমশিগী একাদেমী বেষ্ট সপ্পোর্টিং এক্ট্রেস এৱার্দ, স্ক্রিন এক্টর্স গিল্ড এৱার্দ, BAFTA এৱার্দ ফোর বেষ্ট সপ্পোর্টিং এক্ট্রেস অমদি গ্লোব এৱার্দ ফংবা ঙমখ্রে। ফিল্ম অসি ২০১৯গী ওগষ্ট ২৯দা ভেনিস ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা প্রেমিয়র সো উৎখিবনি। লোয়ননা তেল্লুরাইদ ফিল্ম ফেষ্টিভেল ২০১৯গী ওগষ্ট ৩১দা উৎখি। ফিল্ম অসি ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিভেল কয়াদা মথং মথং শরুক য়াবা হৌরকখি। তোরোন্টো ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিভেল, ন্যু য়োর্ক ফিল্ম ফেষ্টিভেল, বি এফ আই লন্দন ফিল্ম ফেষ্টিভেলনচিংবা কয়াদা মায় পাক্না শরুক য়ারকখি। ফিল্ম অসি ৯২শুবা একাদেমী এৱার্দ ২০১৯দা নোমিনেসন তরুক চঙখি। মদুগী মনুংদা বেষ্ট এক্ট্রেস, বেষ্ট সপ্পোর্টিং এক্ট্রেস, বেষ্ট পিকচর, বেষ্ট ওরিজিনেল স্ক্রিনপ্লে, বেষ্ট এক্টর য়াওখি।

১৯৭৩দগী ফিল্মগী লমদা খোঙদাবা হৌরক্লবসু মহাকপু মীয়াম্না হেক খঙনরকপা হৌখিবদি ১৯৮৫ তগীনি। অদুগা ১৯৯০ ফাওবা অসিদা মহাক্কী মতম ওইখি। মতম অসিগী মনুংদা পুথোরকখিবা- Mask, Blue Velvet অমদি Wild at Heart হায়রিবা ফিল্ম অহুম অসিনা মহাক্কী মিংচৎ উরোং খিনবা ঙমখিবনি। মহাক্কী করিয়র অসি শেম্বদা মপুং ওইনা রেস্পোন্সিবিলিটি লৌদুনা দিরেক্সন পীরকখিবা দিরেক্টরদি David Lynch হায়রিবা অসিনি। David Lynch অমদি Dern অনী অসি য়াম্না চুশিন্নবা দিরেক্টর অমদি এক্ট্রেসনি হায়না হায়নখি। মায় পাক্লবা Elizabeth Dern হৌজিক মশাগী চহী ফনা য়াপ্লে, অদুবু মহাক্কী ৱাখলদি ইনৌতা নৌদুনা লৈরি। করম্না মীয়ামগী পূক্নিংবু পেলহনবা ঙমগদগে অমদি মহাক্কী অতোপ্পা মশক অমা উৎপা ঙমগদগে হায়বা অসোমদা কন্না পূক্নিং লুপ্লি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

**তাং ১২। ০২। ২০২৩ ইং, নোংমাইজিং, অয়ুক পুং ৯.৪৬ ফাওবা ফাইরেলগী ২১ নি পাল্লি, মতুংদি ২২নি পাল্লনি।**

মেষ: অঙম্বনা লৌথোকনিংবা, লৌশিং ফুদোকপা ৱাবা, চিংনবা লৈরবসু নীংবা থুংবা, মরুপ মপাংগী মতেং ফংবা, শেল ফংবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃষ: অনম তানবনা শক-চু থোকপা ৱাৎকনি। অনৌবা ৱাখল্লোন্না থৌপাঙবদি মায় পাক্কনি, শেন্দোং য়াম্না ফংগনি, মীয়াম লোয়নবা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

মিথুন: ফমথোল ফংবগুম নুংঙাইজবা, মীনা থাগৎপিবা, অঙম অথৌগী মতেং লৌবসু ফংগদবা নুমিৎনি। পাঙ্গল থৌনা ফুদোকপদি মতাং চাদে।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

কর্কট: লৌশিংনা পাঙ্গলনি অমদি লান্দবনা নীংবা শোয়দনা থুংগনি। অদুবু য়েৎনবা পাম্লনু অমদি মরম চাদনা হেন্না ওইজবা পাম্লদি মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- খাঙবা কনখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

সিংহ: হকচাং নুংঙাইরমদ্রসু নুংঙাইরনি, নীংবা মপা চানা শেন্দোং ফংগনি, মীচঙ হেনগৎকনি। চিঞ্জাক কাম্লদি ফত্তবা থবক্তা পুক্নিং চঙনীংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক খরদি ফরে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

কন্যা: অনম তানগনু, হোয়াসু ফগনু-নৎত্রদি নরল মাঙগনি অমদি নখা থাবনা উশিৎপিরোই। খুদোংচাবা ফংবদা থৌনা ফুদোকহৌবদি ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নক্লবগী মতেং লৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

তুলা: হরাওবা, মীচঙ হেনগৎপা, থবক্কী লমদা পুক্নিংনা পাম্বা অমদি নথক থোংবগী মতেং ফংবা নুমিৎনি। নচা-ননাইগী লমদদি পুক্নিং ৱাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাং-শকপা পকচগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃশ্চিক: থাজদনা ওইজবা ফংগনি, লম চৎপা কান্নগনি, ইমুং মনুংতা নত্তনা মীয়ামগী মতেং ফংগনি। লৌশিং তানশিনবা ঙসিসু কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মমৈদা নীংবা মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

ধনু: নোল্লুকপা হৈত্রদি নরলদা তায়নগনি। নথক থোংবনা নচাক নরলদা মীতারক্কনি-নক্লনু। লন ফংবা অমদি য়েক্লববু ঙমজবগীদি নুংঙাইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মকর: হান্ননা পোরম য়াৎতুনা থৌ পাঙদ্রদি নচাক নরলদা তায়নরক্কনি অমদি চোপ্পা নংগনি। নীংথিনা খন্থরদি নীংবা থবক শোয়দনা পাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- চিন কন্দ্রদি নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

কুম্ভ: খাঙবা কনবা, চরাংনদবা অমদি থিবা হুম্বা কনবনা মাঙগদবা কয়াদগী কনগনি। অচুম্বনা মাঙওইনৌ-নচাক নরল থোইনা চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈকাই খুম্নবা ফংজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিন: পুক্নিং ফাথবনা খ্বাইদগী য়াইফগনি। মীৱা হেন্না থাজবা অমদি লাঙবা পাম্বনা কান্নবা অমত্তা ফংলোই। ইমুং মনুং/মরুপকী ৱা তাউ কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- কায়নবা নংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## বি জে পি অমসুং এন দি এগী লৈঙাক চাউখৎ মায়কৈদা য়াঙনা চঙশিল্লক্লি : রামদাস অথৱালে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচ এন এস): অশিৎ-অৱাম্বাদা নুংশিৎনা য়াঙনা চৎপগুম বি জে পি অমসুং এন দি এগী লৈঙাকসু সেন্টর অমদি ষ্টেটতা খোঙজেল য়াঙনা চাউখৎ মায়কৈদা চঙশিল্লক্লি। মণিপুরগী সী এম, এন বিরেননা মণিপুরবু চাউখৎ মায়কৈদা পুরিবা অসি য়াম্না ফৈ হায়না মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট সোসল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্ট ওফ ইন্দিয়া রামদাস অথৱালেনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াদা অহানবা ওইনা নুমীৎ তরেৎনি চুপ্পা চথুগদবা ফষ্ট নোর্থ ইষ্ট এরো স্পোর্টস হোট ইয়র বেলুন এন্দ পেরা মোটোর ফিষ্টা ২০২৩ মোইরাং এ সীগী মনুং চন্না লৈবা ফুবালা গ্রাউন্দদা হৌদোকখিবগী থৌরম অমদা ফোঙদোকখিবনি।

ঙসিগী থৌরম অদু খাসিয়া ভেঞ্চর্স প্রাইভেট লিমিটেদ, লোক্তাক দিভেলপমেন্ট ওথোরিটি, মণিপুর এরো স্পোর্টস এসোসিএসন, দিপার্টমেন্ট ওফ টুরিজম মণিপুর অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকা পুন্না খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবনি।


থৌরম অদুদা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট সোসল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্ট ওফ ইন্দিয়া রামদাস অথৱালে, পি আর দি মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দ, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর থৌনাওজম বসন্তকুমার, মোইরাং এ সীগী এম এল এ থোঙাম শান্তি, হিলস এরিয়া কম্মিটিগী চ্যেরমেন দিপু গাংমৈ, এল দি এগী চ্যেরমেন এম অস্নিকুমার অমদি সিভিল অমসুং পুলিসকী মকোক থোংবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা কলচরেল সোশিং উৎলবা মতুং নুংশিৎ কন্না শিৎলকপদগী ষ্টেজ তেকথরকপনা মরম ওইদুনা থৌরম অদু মপুং ফানা পাঙথোকখিদ্রে। ষ্টেজ তেকথরকপদুদা মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং অমদি চ্যেরমেনশিং লাইবক ফবদগী অশোক অপনদি য়াওখিদ্রে।

এম এল এ অমদি চ্যেরমেনশিংনা গ্যাস বেলুন মচাশিংদা নোর্থ ইষ্ট এরো স্পোর্টস হোট ইয়র বেলুন এন্দ পেরা মোটোর ফিষ্টা ২০২৩ হায়না থাবা প্লেকার্দ থাগৎতুনা থৌরম অদু হৌদোক্লে হায়না লাউথোকখি।

পি আর দি মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা ফোঙদোকখিবদা, এরো স্পোর্টস এন্দ পেরা মোটোর্স হায়রিবা ইভেন্ট অসি য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকী বডজেটতা হাপ্লিবনি। মসি প্রাইম মিনিষ্টরগী অশানবা মীৎয়েং অমনি। মসিনা নেসনল সিক্যুরিটিদা কান্নবা কয়া ফংগনি। লোয়ননা থবক ফংদবা মীওই কয়াদসু কান্নবা কয়া ফংলগনি। ঐখোয়না হান্না মমাঙদা উরম্বদি ঈশিংদা শান্নবা, কংফালদা শান্নবা অসি উরম্বনি। অদুবু এরো স্পোর্টস হায়না হাপ্লক্লিবসি মসিগী কান্নবা কয়া লৈবদগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হোৎনবীদুনা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকী বডজেটতা হাপ্তুনা পাঙথোরক্লিবনি। ঙসিগী শীল্লিবা ওর্গনাইজিং কম্মিটি অসিনা এরো স্পোর্টস এন্দ পেরা মোটোর ফিষ্টা ২০২৩ অসি মায় পাক্না পাঙথোকপীয়ু। লোয়ননা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগীসু ঙসিদগী নুমীৎ তরেৎনি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংদুনা ঐখোয় পুম্নমক্না কান্নরবা থৌরম অসি মায় পাকহনসি হায়নসু আপীল তৌখি।



Title : Little Singam
By : Rainbow Naorem
Class : Nursery
School : New Baby English School, Kakching



Title :
By : Chabungbam Jeshuruna
Class : II Roll No. : 16
School : Savio English Hr. Sec. School



Title : Scenery
By : Kh. Likla Chanu
Class : K.G. Sec : B Roll No. : 36
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Scenery
By : Lanchenba
Class : IV Roll : 25
School : Paradise English School




Title : Scenery
By : Linthoi
Class : IV Roll No. 15
School : The Paradise English School



Title : Doraemon
By : Loidang Yumnam
Class : V Roll No. : 2
School : The Paradise English School.



Title :
By : Mayanglambam Anjali
Class : IV Sec : Jasmine Roll : 65
School : SL Arena of Learning



Title : Panda
By : Mayanglambam Goutam Meitei
Class : IV Sec : Jasmine Roll No. : 37
School : SL Arena of Learning



Title : Lotus
By : Ningthibi Asem
Class : V Roll No. 12
School : The Paradise English School



Title : Scenery
By : Rainard
Class : IV Roll No. : 19
School : Paradise English School



Title : Swan
By : Takhellambam Ranjita
Class : Nursery Sec : Lotus Roll No. : 2
School : SL Arena of Learning




Title : Unicorn
By : AK. Yoihenba Angomcha
Class : KG Roll No. : 7
School : Kids Activity Centre, Wangkhei



Title : Jerry
By : Yumnam Suresh Singh
Class : II Roll No. : 6
School : Paradise English School



Title : Environment
By : B. Anil Sharma
Class : III Sec : A Roll No. 15
School : Standarth Robarth Hr. Sec. School



Title : Scenery
By : Chongtham Nelsom
Class: III Roll No. : 9
School : Kangleipak Modern School



Title : A House
By : Khwairakpam Arina Chanu
Class : III Roll No. : 25
School : Kangleipak Modern School

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।